# মথংদগীদি মসিগুম্বসি অমুক থোকহনবীরনু



-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

**হৌজিক হৌজিক** ইরমদম কংলৈপাক্তা ক্লাস ৱান্দগীনা ক্লাস আইট ফাওবগী লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা তন্লিবা অঙাংশিং অসিগী লাইরিকশিং হৌজিক ফাওবা পীবিদ্রি হায়বসি সোসল মিদিয়া অমদি ন্যুজপেপরনচিংবা মিদিয়াশিংদগী তাজবদা অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোকই, য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওই। ইশামক্তা অঙাংশিং অসিগুম লায়রবা অমদি লাইরিক-লাইশু হৈতবা ইমুং অমদগী হৌরক্তুনা অসিগুম্লবা লায়রবা লৈঙাক্কী মহৈশেঙশিংদা তম্লকপনা ইরমদমগী লৈঙাক্কী মহৈশঙশিংদা অঙাংশিংনা লাইরিক য়াওদনা লাইরিক তম্বা চৎলি হায়বসি তাবদা হীরমসিদা খল্লুগনু, পূক্লিংগী ৱাকৎ ফোঙদোক্কনু হায়বা শুকঙম ঙমদ্রে।

লাইরিক লৈনা লৈনা ওজাশিংনা লাকপীদবগী, নিংথিনা তাকপীদবগী অমদি চঙগদবা পোৎলম কয়া থন্বীদবদগী, মহৈশেঙ ফজনা থন্বীদবগী মতম কুইনদগী নমদুনা লৈরক্লবা লায়নানা থুমহৎলবা লৈঙাক্কী মহৈশেঙশিং অসিদা লাইরিক য়াওদনা অমুক স্কুল চৎহনবদি করি মতৌনো, করম্না লাইরিক তমগদৌরিবা। মতম মাঙনবনি। য়ূমদা লৈদুনা হিংনবগী লানফমদা নোংমা পোথাবা খঙদনা কন্না হোৎনরিবা মমা মপাশিংগী অঙম্বা মতেং খরা পাংবনা হেন্নদুম কান্নগনি।

অদুগা অমরোমদা শেল পায়বা, থবক তৌবা, অচৌ অশাংগী মচাশিংনা অফ-অফবা প্রাইভেট স্কুলশিংদা তম্বতা নত্তনা ট্যুসন নোংমদা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিংগী থারি মমা মপাশিংনা। অদুগা লায়রজবা, লৈতবা ইমুংশিংদগী থোরকপা অঙাংশিং অসিনা লৈঙাক্কী লৈখা, পোৎলম কয়াসু ৱাৎলবা মহৈশেঙ অসিদা তম্বসিদফাও লাইরিক অমুক মতম চানা ফংহন্দবসিদি মখোয়বু থৌশানা উবীদবগী য়াম্না চাউবা শক্তমনি। মসিদি থম্মোয় য়াম্না শোক্লিংঙাইনি। তঙাইফদনা লাইরিক লাইশু তম্বা হায়বসিদি শেল পায়রবা ইমুংদগীবু ওইরো লায়রবা ইমুংদগীবু ওইরো অনীমক্তগী হৌরকপা অঙাং খুদিং কম্পলসরি এদ্যুকেসন পীগদবনি হায়না মালেমগী মফম খুদিংমক্তা পীনরি। মসিগী হকসিবু মৎপীবা হায়বসি য়াম্না থৌশাদবা অমদি মীৎয়েং তাবীদবগী মতৌনি। হায়জরিবা ৱাফমসি এনি পোলিটিকেল পার্টিগা মরী শুকলৈ লৈনদে ঐহাক্কী ওইনদি। ফম পায়বিরিবা অঙম্বশিংনা লুনা খনবীদুনা অসিগুম্বসি অমুক হন্না থোকহনবীদনবা ৱাকৎচবনি। মিদিয়াগী থোঙদদি পীবিগনি, মতেং পাঙবীগনি হায়না ৱা ৱা লাউথোকপীবা অদুগা তশেংনদি পীবিদবা, ফংহনবীদবা,



থবক ওইনা পাঙথোকপীদবগী চৎনবীসি মীয়াম্না মঙলান চাউনা থন্বীরিবা অনৌবা লৈঙাকসিনা হোংদোকপীরো। মাঙখ্রবা মীচম মীয়ামগী থাজবা কয়া অমুক হন্না পুরক্লবা হোৎনবীরো।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা ক্লাস ৱান্দগী আইট ফাওবগী লাইরিক লাইশু অমদি য়ুনিফোর্মনচিংবা লেম্না পীবিদুনা লায়রজরবা ইমুংশিংদগী হৌরকপা চীংমী তম্মী অঙাংশিংদা চংদবা, তমদবা য়াদ্রবা মহৈ মশীন তম্বগী লম্বীদা মতেং পাঙবীবদি অদুক্কী মতিক থাগৎনীংঙাইনি। অদুবু মখোয়না ফংফম থোকপা পোৎলমশিং অদুবু, মরু ওইনা লাইরিকশিং মতম চানা ফংহনদ্রবদি অঙাংশিং অসিনা করম্না মহৈ তম্বা ঙমগদৌরিবা। স্কুল সেসনদি জান্যুৱারীদগী হৌখ্রে হায়না তাজে, অদুগা লাইরিক্কা মার্চকী তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা ফংহনগনি হায়না তাই। মসিনা হায়বগী ৱানি থবক্কা তৌরকপা ঙমগদৌরিব্রা ঙমলোইদৌরিব্রা হায়বগী ৱাহং অমমুক লাক্লি মতাংসিদা। থেংথবা, শুংতৌ তৌবীদবা হায়বনচিংবা ইরমদম মণিপুরগী চৎনবীসু লৈরি। করম কান্দা অঙাংশিং অসিনা মখোয়গী লাইরিক ফংদুনা নীংথিনা মহৈ তম্বা ঙমগদৌরিবা, পূক্লিংদা চিংনদবা, নুংনাংদবা ঙমদেদো।

পুন্সি হায়বসি তম্বা শুকঙম ঙমদে। লায়র ইমুংদগী অসুম্না লায়র মহৈশঙশিং অসিদগী হৌরকপা অঙাংশিংসু নোংমদি অফবা অচৌবা মীওই অমমম ওইরক্তুনা লমদম অসিগী অফবা কান্নবা তৌরকপদা অচৌবা থৌদাং য়ারক্লোই, লৌরক্লোই হায়না লৌবসু লানগনি। মায়কৈ অমরোমদা য়েংলুরগসু তোল্ল-তারবা অঙাংশিং অসিনা করিগুম্বা লাইবক থীদুনা মহৈ মশীন তমহৌদদুনা ফত্তবা মীওইশিং ওইরক্লবদি লৈপাক্কী চাওখৎ খোঙথাংদা য়াম্না অকায়বা পুরকপদা নত্তনা লৈপাক অসিগী মীংলেনবু চিংথগদৌরিবনি। মসি হায় হায়দুনা লায়রবা ইমুংদগী হৌরকপা মীওই খক্তনা ফত্তবা থবক তৌরক্কনি হায়বগী ৱাফমদি নৎচদে। য়াম্না চাউনা চাউনা ফত্তবা লৈপাকসিনা চাওখৎপদা অকায়বা অমদি অপনবা পীদুনা চিংথরিবা মীওই কয়াদি তশেংনদি ইনাক কৈরাক খুনবা ইমুংদগী হৌরকখিবা, মহৈ মশীন হৈরবা শেল পায়রবা, ফম চাউনা চাউনা পায়রবা মীওইনা অয়াম্বনি হায়জনীংই। মদুগী চপ চাবা খুদমদি লৈপাকসিগী চুপলি পায়রিবা অঙম্বশিং, অচৌ অচৌবা থিকা তৌরিবা, অচৌবা ফম পায়বিরিবা, অচৌবা ওফিসরশিং, ডোক্তরশিং, এঞ্জিনিয়রশিং অমদি অতৈ অসি অয়াম্বনা ইনাক-কৈরাক খুনবা ইমুংদগী হৌরকপনা অয়াম্বনি। মখোয় অসিনা মশা মশাগী অমদি মশাগী ইমুংগীতা খন্দুনা থম্মোয় শেংনা, নীংথিনা লৈপাক্কী খন্দুনা মথৌ চুম্না অমদি নিংথিনা তৌরক্তবদগী, তৌদবদগী ঙসি ইরমদম কংলৈপাক্তা চাওখৎপা ঙমদনা লৈরক্লি। মরকসিদা মমা লৈবাক নীংবা শাজিন্নবা, নীংতম লান্মী কয়া অমসু য়াওরিবনি। মসি হায় হায়দুনা মীওই খুদিংমক অসুম্না তৌরে হায়না হায়জবগী ৱাফমদি নৎচদে। মতাংসিদা হায়জনীংলিবদি, লৈঙাক্কী চুপলি পায়বিরিবা মীওইশিং অমদি মরী লৈনবা মীওইশিংনা হীরম অসিবু তরাই তরাই খনবীবদি য়াম্না মীনুংশি য়াওদবা অমদি লায়রজবা ইমুংদগী হৌরকপা অঙাংশিং অমদি ইমুংবু করিসু খনবীদে হায়বগী ৱাথোক লাক্কনি। ময়ামসু খন্দুনা য়েংবীয়ু। মখোয়গীদি অশেংবা হায়রবদি কনাসু লৈতবনি। কনাবু লৈরিবগে। মসিবু য়েংশিনবীবা ঙম্বা মীওইশিংগী মচা মশুশিংদি লোইনা অতাঙ অতাঙবা প্রাইভেট স্কুলশিংদা অমদি মপান লমদা থাদুনা মহৈ তমহল্লিবনি। মখোয়দা নত্তে, লৈঙাক্কী মহৈশঙ অসিদা তন্বীরিবা ওজা ফাওবদা মখোয় মখোয়গী অঙাংশিংদি প্রাইভেট স্কুলশিংদা থাদুনা তন্বীরি। মখোয়গী মচাশিংসু হায়রিবা লৈঙাক্কী মহৈশঙশিংদা তমহনগদবনি হায়বগী মতাংদা ৱাথোক অমা ওইখিবা ময়াম্নসু হেন্না খঙনবীরম্লগনি।

ইরমদমগী লৈঙাক্কী মহৈশঙশিং নত্তনা প্রাইভেট স্কুলশিংদা থাবা ঙমজদবা, লায়রজরবা লৈজদবা তমগী অমদি চীংগী ইমুং কয়া অমা লৈরি হায়বসি ঐখোয় লোইনা খঙনরবা ঙাক্তনি। ইমুং কয়া অসিদগী হৌরক্লিবা অঙাংশিং অসিগী মহৈ নিংথিনা তমজবগী হকপু মৎপীবদি থম্মোয় য়াম্না পান্দবগী ৱাখল্লোননি। লাইরিক ফংদবগী ৱাফম খক্তা নত্তে অঙাংশিং অসিনা থেংনরিবা অৱাবশিংসি। ওজা লাকপীদবগী, লাক্লগসু নিংথিনা লাইরিক তন্বীদবগী, মহৈশঙশিং অসিদা চঙগদবা পোৎলমশিং শুনা পীবিদবগী, ফিরোল, য়ুনিফোর্মনচিংবা নিংথিনা মরাং কায়না শেৎপা ফংজদবগী, ময়ূম ময়ূমদা নোংমগী চাক চরা মপূক থন্না চাবা ফংজদবগী, ময়ূম ময়ূমদা ইমুং মনুংগী থবক ইনখাংদা মতেং পাংনবা হোৎনবগী, ঈংলবা নিংথমথাগী অহিং খুদিং নিংথিনা তূম্বফাও ফংজদবগী খুদোংচাদবা অৱাবা ময়াম অমসু লৈরিবনি। অঙাংশিং অসিনা থেংনরিবা ময়াম অসি নুংঙাইনা লৈবিরিবা ফম চাউনা চাউনা পায়বিরিবা, নুংঙাইনা হিংবিরিবা মীওই কয়ানদি উবিরম্লোই, খঙবীরম্লোই। অসুম্না ৱানা ৱানা লৈজরিবা অঙাংশিং অমদি ইমুং কয়া অসিদা ফ্রী এদ্যুকেসন হায়বগী অচৌবা নুংঙাইবা মঙলানদি পীবিরগা করিগী মখোয়না ফংফম থোকপা পোৎলমশিং অসিবু পীবা ঙমদ্রিবনো মতম চানা-চানা হায়বগী ৱাহংসি থম্মোয় শোক্লা হংজদবা ঙমজদে। শেল থুমগী অৱাৎপদি করিসু লৈরম্লোই হায়না খল্লি সেন্ট্রেলনা মাঙজৌননা কায়থোকখ্রবনিনা। শোয়রিবা হায়ববু থৌশানা মীৎয়েং তাবীদবা অমদি মখোয়গী অৱাববু মনুংহুৎনা উবিদবগীনি হায়না থমজগে।

মরম ময়াম অমদি থেংনজরে ন্যুজপেপরগী মায়কৈদগী ওনরেবল এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি সী এমগী পাউখুমদগী। মতাংসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি প্রাইওরিটি হায়বা ৱাফমসিনি। ঐখোয়না করিগুম্বা হীরম অমবু য়াম্না মরু ওইবা ৱাফমনি, হীরমনি হায়না থম্মোয়দা খনবিদ্রবা, লৌবিদ্রবা এনি থবক অমা, হীরম অমা ওইসনু অদুম মতম চানা পাঙথোকপা ঙল্লোই। য়াম্না মরু ওই হায়না খনবা, তৌবা থবক্তুদি অমা খঙদে অমা খঙদে তৌদুনা, হোৎনদুনা অদুম মতম চানা পাঙথোকপা ঙম্মী। হায়বসি ময়াম্নসু খঙবীরমগনি। হীরম অসিদা য়াম্না লুনা লৌবীদুনা, মীৎয়েং তাবীদুনা লায়রজরবা ইমুংশিং অসিদগী হৌরকপা চীংমী-তম্মী অঙাং কয়া অসিগী মহৈ-মশীন তম্বগী হক অসি ফংহনগে-ফংহল্লোই হায়বসি পায়বিরিবা লৈঙাক অসিগী খূৎতা লোইনা লৈরে হায়না থমজগে। লৈঙাক্লা মতম চানা ফংহনগে মখোয়গী খূৎতা লৈরে ফংহল্লোই হায়রবসু মখোয়গী খূৎতা লৈরে। লৈঙাক্লা তৌবীদ্রগদি কনাদি লৈরি মখোয়গীনি হায়বা।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অসিগুম্বা স্কিম অমা থন্বীদুনা লায়রজরবা ইমুংশিং অসিদা তুংগী আশা চাউনা পীবিবদি য়াম্না থাগৎনীংঙাইনি, মণিপুরগী ওইনা য়েংলবদি। টাইৱান অমদি ওরিয়েন্টেল লৈপাকশিং অসিদা য়েংলগদি মসিদি করিসু অনৌবা অচৌবা খোঙথাং অমবুদি ওইদে। টাইৱান্দদি ক্লাস ৱান্দগীনা ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবা ফ্রী এদ্যুকেসন পীরিবনি, হায়বদি লাইরিক লাইশু তন্বীবসি চঙদবা য়াদ্রবা মথৌ অমনি। মসিদা করিগুম্বা অঙাং অমবু স্কুল তম্বা থাদ্রবদি মহাক্কী মমা মপাদু লৈঙাক্লা ফাইন লৌদুনা চৈরাক পীরিবনি। টাইৱান্দা তৌরিবা অসিগুম্না হেক্তা তৌরসি হায়বগী ৱাফমসু নৎচদে। পীবিগনি হায়বিখিবা পোৎলমশিং অদুদি মতম চানা ফংহনবীয়ু হায়জবগী ৱানি। অসিগুম্বা নুংঙাইবগী মঙলান পীবিরগা মঙলান অসিবু মঙফাওননবা থবক পাঙথোকপীদবদি হেন্নদুম খোইশাওনবা, পেন্দবা পোকহনগনি ইমুংশিং অসিদা।

কনাগুম্বা লৈঙাক্কী মহৈশঙশিং অসিদা লৈরিবা ফীভম অসিবু খঙবী-উবীবা, খন্থবীবা মীওই অমনা হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা অঙাংশিংগী লাইরিক হৌজিক ফাওবা ফংদনা লাইরিক য়াওদনা মহৈ তম্বা চৎলি হায়না ইরকপদগী মণিপুর এসেমব্লিগী সেসন্দসু লাউবা হৌনরক্লে। করিগুম্বা মীওই অসিনা ইবিরক্লমদ্রবদি কমদৌবা। মতাংসিদা হংজনীংলিবা ৱাফমদি পাউচেসিদা হাপত্রিঙৈদদি খঙবী-উবিদ্রব্রা অসুক কুইনা লাইরিক ফংদনা লাক্লবসিফাওবদা। তশেংনা পোলিটিসিয়নশিং অসিনা, পার্টিগী, আইদিওলোজিগী ৱাফম থমদনা, হান্না খঙবি উবীদুনা মাঙজৌননা লাইরিক ফংহনবীয়ু হায়না টেলিফোন্দা ওইরবসু, পাউচেদা ওইরবসু নৎত্রগা মায়োক্লদুনা তকশিনবীবা য়াইনা। মদুসু তৌখিদে হায়না লৌজরগে। ঙরাং নহানতা এসেমব্লিদা লাউনরকপসিনা তাকপদি ওপোজিসন্দা লৈবিরিবা লুচিংবশিং অসিসু করিমত্তা খঙলুদে নৎত্রগা থৌশারুদে হায়না তাকপনি। খঙলগনা করিগী হায়বিদ্রিবা, তকশিনবিদ্রিবা। মীচম মীয়াম্না পাম্নবদি মখোয় ময়াম্না পাউচেদা, টিভিদা অমদি এসেমব্লি সেসন্দা লাউনদুনা তুংগী ভোট বেঙ্ক তান্নবদু নত্তে, মরান শিনবদু নত্তে। মীয়াম্না পাম্নবদি মতম চানা চানা হায়বিখিবা থবকশিং পাঙথোকপীবা, পীগনি হায়না লাউথোকপীখিবা পোৎলমশিং অসিবু ফংহনবীবদুনি। অদুদি নত্তনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা ইশা ইশাগী নৎত্রগা পার্টি-পার্টিগী ভোট খোম্বগী মতৌদুদি তোকপীরো, মীচম মীয়ামসিসু হৌজিক্তি মীৎ-মায় য়াম্না পাঙনরবনি হায়বসি লুচিংবশিংনা কাউবীগনু।

চহী কয়াদি শুরে, কয়াদি কুইরক্লে তৌবীগনি, পীবিগনি, শাবীগনি হায়না হায়দোকপীরগা অসুম তৌদা তৌদনা লাকখিবদগী লৈঙাক্কী লুচিংবশিংদা থাজবা হায়বদুমা মচেৎ অমা ফালবা য়াদনা লাকখিবা ইরমদমসিদা। অসুম্না কুইরে লাকখিবা হায়দুনা থাজবা অমুক পুরকপা ঙল্লরোই, মীচমগা মীয়ামগা অমুক পূনবা ওইথোক্তবনি হায়জবগী ৱাফমদি লৈজদে। থাজবা অদু অমুক হন্না পুরক্লবা পায়বিরিবা লৈঙাক্লা চেকশিন্না, মুন্না য়েংশিনবীদুনা হায়দোকখিবা ৱাফমশিং মতম চানা চানা পাঙথোকপীয়ু, মীচম মীয়ামগী অনীংবা অঙম্বা হোৎনদুনা থম্মোয় শেংনা থবক তৌবীদুনা ৱা ঙাকপীয়ু, করিগী হল্লক্লোই ঐখোয় খুদিংমক্কী থম্মোয়দা থাজবা হায়বদো নখোয়গী নফমদা। মীয়ামগী থাজবা অমদি শৌগৎপা য়াওদনা লৈঙাক অমত্তা তৌনীংবা থবকশিং মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙল্লোই হায়বসি লুচিংবীরিবা লৈঙাকপশিংনা কাউবীরোই হায়না থমজগে। থবক অমবু য়াম্না লুই, য়াম্না মরু ওই হায়নবু খল্লবদি মদু মতম চানা, মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা শেল, মতম, পাঙ্গল অমদি অতৈদি অদুম মতুং ইন্নরক্কনি। মীচম মীয়াম অমদি লৈঙাকপা লুচিংবশিংগা পূন্না চৎমিন্নদুনা অনৌবা, অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা হোৎনমিন্নরসি। য়াইফরে।



# স্কিল দিভলপমেন্ট এন্দ ফেসিলিটিজ ইন মণিপুর

দল্লিয়ু জয়মতী

**সেন্তরদা** বি জে পিগী লৈঙাক হেক লাকপদগী স্কিল দিভলপমেন্টসি অসুক্কী মতিক পোপ্যুলর ওইখ্রে। লেবর মিনিষ্ট্রিগী মখাদা রেজিষ্ট্রেসন তৌদুনা মতিক চাবা রেজিষ্ট্রেসন ফি অমদি দিপোজিৎ ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদা থমদুনা নিংথিনা ইনক্কারি তৌদুনা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর ফংদুনা ট্রেনিং প্রোগ্রাম পায়খৎলি। হৌনবী মতুং ইন্না পাউচেদা এদভর্টিজমেন্ট তৌদুনা ইন্সত্রক্টর, ট্রেনিনচিংবা কৌদুনা মিনিষ্ট্রিগী অয়াবা লৌদুনা ট্রেদ ২৫দা ট্রেনিং পায়খৎচখি। খরদং পঞ্জরবদা নর্সিং (মেদিকেল) ট্রেদতা ট্রেদ অহুম, কম্প্যুটরদা ট্রেদ অহুম, ফিশা লোনশা- কোটন্দা ট্রেদ অহুম, সিল্কতা মখল অহুম, সেরিকলচরদা মখল অহুম, ফ্রুইট প্রিজার্ভেসন্দা মখল অহুম, ফুদ প্রিজাভেসন্দা মখল অহুম, শা-ষণ য়োকপদা- য়েন য়োকপা, ওক য়োকপা, য়াও য়োকপনচিংবা মখল অহুম, তূবগী লমদা অচম্বা টেলরিং, ফেসন দিজাইন্নচিংবা মখল অহুম, লোনবগী ট্রেদতা মেছিন্না লোনবা মখল অহুম, খূৎনা লোনবা অরিবা মতমগী ট্রেদিসনেল য়েৎতুম্না লোনবা মখল, মীতৈ কান্থনচিংবা, মোন্তেক, মোন্দুমনচিংবা লোনবনি অমদি হৌজিক মতমগী চাওখৎলকপগী শাগোন্নবা ব্যুটি কলচরদা মখল অহুমনচিংবা অমদি মখল মথেলগী জ্বেলরিগী প্রোগ্রামনচিংবা পূন্না ট্রেদ ২৫নি। পূম্নমক অসি ইন্টরনেটকী খূৎথাংদা ওনলাইন্দা থাবা ঙাক্তনি। পৈশা পীবগী মওংদি পরিক্ষা লোইরগা পাস তৌরকপা ট্রেনিদা য়েংলগা রিএম্বর্স তৌবনি। পরিক্ষা তৌবগী মওংসু মিনিষ্ট্রিগী মীনা এগজামিনরনি। মখোয়না পরিক্ষা তৌগদবা নুমিত্তা ক্বেসন শেম্লগা পুরকই। পরিক্ষা লোইরগা অন্সর পেপর পূম্নমক মখোয়না পুখি। অদুগা নুমিৎ ১৫নিগী মতুংদা পরিক্ষা অদুগী রিজল্ট থারকই। থা ১/২গী তুংদা সার্টিফিকেট থারকই। হেন্না চঙবসু য়াওই। খ্বাইদগী ৱাবদি মহৈরোয় প্রজেক্ট ওইবসি ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন্দা নম্বসিনি। মেছিন বেরা তৌবসু য়াম্না য়াওবনিনা লাক্লগা প্রজেক্ট ওইবা য়াদবসু য়াম্না য়াওই। অকক্লবা পুংশিংগী মনুংদা নমগদবনিনা অশোয়বা য়াওই। অদুগীসু মথক্তা নেট ফংবা ফংদবসিসু অচৌবা অৱাবা অমা ওই। নিংথমথা ঈংখ্রবা মতমদফাওবা অহিং পুং ১/২ তাবা ফাওবা য়াওই। পূম্নমক্কী মথক্তা অহানবা চহী ১/২দদি কোর্স ফীসু লৌরমই। ট্রেনিং লোইরগা কোর্স ফী পীবা ঙল্লোইদবা ট্রেনিসু য়াওবনিনা মশানা পুথোকপদা খুদোংচাদ্রবদি ইন্সটিট্যুটনা পুথোকখিবসু য়াম্না য়াওই। লাইবক থীবদি হৌজিক ফাওবসি রিএম্বর্স শুকতৌ তৌবীদবসিনা সোসিয়েল ৱার্ক তৌবদা খুদোংথীহল্লে। মণিপুর লৈঙাক্লসু ইবিরে অদুবু হৌজিক ফাওবা রিপ্লাই অমতসু ফংবা লৈত্রি। ট্রেন হেগু ওইরবা ট্রেনি অয়াম্বা প্রাইভেট হোস্পিটালদা, স্কুল, কোলেজদা, প্রাইভেট কম্প্যুটর সেন্তরদা প্লেসমেন পীবসু য়াম্না য়াওখ্রে। মশা মশানা হোৎনজদুনা থবক শূদুনা হিংনবা হোৎনদুনা হিংজরি। লৈঙাক্লা শিনবা মেলানচিংবা কয়াসু য়াওরুরে। গাড়ী অতোংমল মাঙবতা নত্তনা পোৎসু লোইনা শিৎহৌদবনিনা অরেং-অরেং পুথবগী মওংদা লৈরে।

ৱাফম খরসিনা লায়না খঙবা ঙল্লে, লাইরিক লাইশুসু নিংথিনা হৈজরবা, সিল্কসু মতিক চানা লৈজরিবা মীওই কয়ামরুম শূফম চৎফম খঙদনা লৈরি। ট্রেনিদসু নত্তনা লমজিংলুরিবা ইন্সটিট্যুসনসু হায়ফম খঙদনা মশাগীসু পাঙবা ঙমদা তুংগী মীরোলগীসু পাঙবা ঙমদা ওন্থোকপা ফীভমদা তাহল্লে। পূম্নমকসি য়েংশিনবীরগা অথুবা মতমদা রিএম্বর্সমেন পীবিদুনা অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা মীৎয়েং চঙবীগনি হায়বগী থাজবা থমজরি।

দিকেদ ৬/৭কী মমাঙদগী সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ভোকেসনল অমদি নোরাট ট্রেনিং পায়খৎতুনা লাকখিবনি, স্কুল কোলেজদসু ওজা ওইনা লৈঙাক্কী মতিক চাবা তলব ফংখিবনি। সোসিয়েল ৱেলফ্যের লোইশঙদা ট্রেনিং ফংখিবা মীওইশিংসু মশাগী ইনকম তাঞ্জবদা মতেং অদুম ওইদুনা লাকখিবনি। মণিপুরদসু অদুমঙাই হৌখিবা জেনরেল ইলেক্সনসি স্কিল দিভলপমেন্টগী প্রোপেগন্দাসি য়াম্না কনখি হায়বদা থোইনা হায়মনবা থোক্লোই খল্লি। অওইবমক্কি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অচেৎপা থাজবসি স্কিল দিভলপমেন্টনা মীপূম খুদিং থবক পীগনি অসিনি। প্রাইম মিনিষ্টরদা নত্তে ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা মন্ত্রি পূম্নমক্কী খোল্লাউনি, মণিপুরগীসু অদু মঙাই মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না ময়েক শেংনা লাউরি মণিপুরগী থবক ফংদবা মীওই কয়া স্কিল দিভলপমেন্টনা থবক পীগনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা মীওই ১,৫০,০০০দা চহী চহীগী শেল পীদুনা কুমজা ২০২২ ফাওবদা মীপূম খুদিং থবক পীবগী পান্দম থম্লি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

মখা তারকপা খোঙথাং ওইনা হৌজিক হৌজিক চথুরিবা বজেট সেসনসিদা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা লুপা কোটি ১৩৭৩১গী বজেট পুথোকখ্রে। লোয়ননা এমপ্লোইমেন্ট অমদি স্কিল দিভলপমেন্টকী পল্লদুনা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা নহারোল থবক পীবদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা গভর্নিং কাউন্সিল অমা শেম্বগা লোয়ননা ষ্টেট মিসন ওন এমপ্লোইমেন্টগী থৌরাং শিন্দুনা য়ূমথোং খুদিং থবক ফংদবগী সমস্যা লৈররোই। মখা তানা হৌজিক হৌজিক চথুরিবা এসেমব্লি সেসনগা মরী লৈননা, ফেব্রুৱারী ১৪গী চেফোং অমদা লেবর এন্দ এমপ্লোইমেন্ট মিনিষ্টরনা চহীদা মীওই লাক্ষ ১.৫ মুক থবক পীনবা পান্দম থম্লি হায়বা হেদ্দিংদা আর দি অমসুং পি আরদা মী লিশীং ৩০, হোর্টিকলচর এন্দ ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হাজবেন্দরিদা মী লিশীং ১০/১০, আই টিদা লিশীং ৪, এদ্যুকেসন্দা লিশীং ৬, মাহুদতা লিশীং ৫, ফিসরিদা লিশীং ৫, টি দি এন্দ হিলসতা লিশীং ৫, এগ্রিকলচরদা লিশীং ১০, সেরিকলচরদা লিশীং ১০, কমর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজদা লিশীং ৩০, হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরদা লিশীং ৫, ট্রান্সপোর্টতা লিশীং ২ অমদি অতোপ্পা স্কিল দিভলপমেন্টশিংগা লোয়ননা থবক পীগনি। লোয়ননা চীফ সেক্রেটরি অমদি দি সীশিংগসু তানগনি হায়না ময়েক শেংনা লাউথোকপগী রিপোর্ট লৈখ্রে।

লাকচনীংলিবা ৱাফমদি হৌজিক হৌজিক মিনিষ্ট্রি ওফ লেভর গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা স্কিল দিভলপমেন্টগী ট্রেনিং লোইরবা মিনিষ্ট্রিনা সার্টিফিকেট থারক্তুনা পায়রগা কান্নফম অমদি তৌফম খঙদনা লৈরিবা মীওইশিংবু অহানবা প্রাইওরিটি পীবীনবা গভর্ণমেন্টকী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি। তশেংবমক খুন্নাই অসিদা ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট পুরকপদা নত্তনা নুমিৎ খুদিংগী থোক্লিবা নুপীগী প্রোব্লেম হন্থহন্দুনা নুপীদা চপ চাবা এম্পৱারমেন্ট পীদুনা চাওখৎপা অনৌবা অওনবা খুন্নাই অমা পুরকপা শোয়দনা ঙমগনি হায়বসিনা অরোইবা ৱাফম ওইনা থমজগে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৬

১। থায়না মণিপুরী চনুশিংবু মাগী মাগী য়েক অমসুং য়ূম্নাক্কী মশক তাক্তুনা মিং কয়ামরুম কৌনরম্মী। মখাগী অনীসি করম করম্বা য়েক সলাইগী চনুশিংবু খঙনবগে?
(ক) ৱাংঙল্লোন (খ) নুংবাল্লোন।

২। "ঝুলোনগী সন্ধ্যা য়াচংবা মতুংনি। নুংথিলগী মীনিলখোন নেমখ্রবা...। মীগী থম্মোয়সু নুংঙাইবনা মরাঙ হৌরে।" পরেংশিং অসি 'তারমদাই নুমিৎকী মশেক' কৌবা উপন্যাস অমদগীনি। অইবদু কনানো?

৩। "নিংথৌ অহুম পাল্লি লৈবাকসিদা/অহানবা নিংথৌদি মাইক্রোফোননি/...অনীশুবা নিংথৌদি নোংমৈ মরুদনি/...অহুমশুবা নিংথৌশিংনা উচিশিংনি।" পরেংশিং অসিনা কবি জাতিশ্বর তোংব্রমগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "মণিপুরী নুপীশিংনা চৎনবীবু থুগাইদুনা রেদিকেল ফেমিনিষ্ট অমা ওইনা চঙশিল্লগে হায়বা অকনবা ফিরেপমক্তি লেপত্রি। য়াম্না লিবরেল ওইবা মওংদা নুপাশিংনা মখোয়বু শকখঙবীয়ু ... তৌরকপা দাবিনি।" ৱাহৈশিংসিনা '২০শুবা শতাব্দীগী ৱারীমচাদা ফেমিনিজম' কৌবা ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। "নুংশিদরা য়েংউ/উচানগী মৈরা/কপনিংদরা নঙবু/উরগা তোয়না।" পরেংশিংসি মমিং লৈরবা ঈশৈ ময়েক ইবা, শরত অরাম্বমগী ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**